# প্রনাব মুখর্জিনা আর এস এস কী চহীগী থৌরমদা ৱা ঙাংগদৌরি, কংগ্রেস মৈ-হৌনা শাওখ্রে



***নাগপুর, জুন ৭ ঃ***

লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অমসুং চহী ৫০ চূপ্পা কংগ্রেস পার্টি য়াওরকখ্রবা প্রনাব মুখর্জিনা ঙসি শগোলশেন নুমিত্তা নাগপুরদা রাষ্ট্রিয় স্বয়মসেবক শংঘ (আর এস এস) হেদক্কার্টসিতা মসিগী চহীগী অচৌবা থৌরমদা ৱা ঙাংগদৌরি। মসিদা কংগ্রেস পার্টি মৈ-হৌনা শাওখ্রে।

প্রনাব মুখর্জিনা থৌরম অসি য়াওনবগীদমক ঙরাং নাগপুরদা থুংলখি। রেসিমবাঘদা লৈবা আর এস এস কী হেদক্কার্টসিতা আর এস এস কী থার্দ-ইয়ার ওফিসারস ত্রেনিং কেম্পকী ভেলিদিক্তরি ফঙ্কসন্দা ঙসি নুমিদাং মহাক্না ৱা ঙাংগনি। সেনিয়ার কংগ্রেস লীদর অসিনা পার্টিগী লম্বা তৌনরিবা বি জে পি গী হৌরকফম ওইরিবা আর এস এস হেদক্কার্টসিতা ৱা ঙাংগনি হায়বসিদা শাওরবা কংগ্রেস লুচিংবী সোনিয়া গান্ধীনা মাগী পার্টিগী লুচিংবা কয়াদা প্রনাব মুখর্জিবু থিংনবা হোৎনৌ হায়না পাউতাক পীখি।

কংগ্রেস লুচিংবা রামেস চেনিথালা, জয়রাম রামেস, হান্নগী য়ুনিয়ন চীফ মিনিষ্টর সি কে জাফর সিরিফ অমসুং পার্টিগী বেঙ্গল য়ুনিট লীদর অধির চৌধুরিনা প্রনাব মুখর্জিদা আর এস এস কী থৌরম অদু য়াওনবগী ৱারেপ অদু অমুক হন্না খন্থনবা হন্না হন্না হায়জখি হায়রি।

মপূং ওইবা থৌরমগী মাঙওইননা নাগপুরদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম আর এস এস না মখোয়গী হেদক্কার্টসতা হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিবু তরাম্না ওকখি। মহাক্না চহী ৫০ য়াওরক্লবা কংগ্রেস পার্টিদগী য়াম্না অকনবা অথিংবশিং পীরক্লবসু থৌরম অদু য়াওনবা মহাক্না ৱারেপ লৌখি।

আর এস এস কী ফাউন্দর কে বি হেদগেৱারবু ইমা ভারতকী অচৌবা মচানুপা অমনি হায়না নাগপুরদা লৈবা মহাক্কী পোক্লফমদা থম্বা ভিজিটরস বুক্তা প্রনাব মুখর্জিনা ইরম্মী। মাদর ইন্দিয়াগী অচৌবা মচানুপা অমদা ঐবু ইকায়খুম্নবা অমসুং তৌবিমন খঙবা উৎনবা ঐহাক মফম অসিদা লাকপনি হায়নসু ভিজিটর বুক অদুদা প্রনাব মুখর্জিনা ইখি। মহাক্না থৌরম মফমদা নুমিদাংৱাইরম পূং ৫.৩০ দা থুংলবদা আর এস এস চীফ মোহন ভগৱটনা তরাম্না ওকখি। মদুগী মতূংদা মিষ্টর ভগৱট অমসুং আর এস এস কী নম্বর ২ ভৈয়াজি জোসিগা পূন্না চা থকমিন্নগনি। মদুগী মতূংদা সংঘগী সেনিয়ার ফংস্নরিশিংগী মফমদা মহাকপু শক্তাকখ্রে।

আর এস এস না ফোঙদোকপদা চহীগী থৌরম অসিদা লৈবাকসিগী শক্লাইরবা মরু ওইবা মীওইশিংবু কৌবগী চৎনবী অদুগী মতূং ইন্না হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিবু থৌরম অসি য়াওবীনবা বার্তন তৌখিবনি হায়খি।

লৈবাক অদুগী মফম কয়াদগী লাকপা স্বয়মসেবক ৭০০ রোম্না সংঘ সিক্সা ভর্গা (সংঘ ত্রেনিং ক্লাস) অসিদা শরুক য়াগনি। রাষ্ট্রপতি ভাবন্দা প্রনাব মুখর্জিনা আর এস এস চীফ মোহন ভগৱটকা চাক্লেন চামিন্নখিবা অদুদা মখোয়না করিগুম্বা অমত্তা য়েৎখিদবনি। অদুবু নাগপুরদা ওফিসিয়েল খোঙচৎ অমা চৎপা হায়বসিদি ঐখোয়না খল্লম্বদগী য়াম্না হেনখ্রে, প্রসিদেন্ট নৎত্রগা প্রাইম মিনিষ্টর অমত্তনা মমাঙদা মসি তৌখিদ্রি হায়না লুচিংবা অমনা হায়খি।

# নুপীশিংগী সেফটি দিভাইস পুথোকপা দিল্লি টিমনা দোলর মিলিয়ন ১ গী এক্সপ্রাইজ ফংলে




***য়ুনাইটেদ নেসন্স, জুন ৭ ঃ***

করিগুম্বা নুপী অমা খুদোং থিহল্লকপা মতমদা মফমগা লোয়ননা এলার্টশিং থাগদবা দিভাইস অমা পুথোকপগীদমক দিল্লিদগী টেক্নোলোজি টিম অমনা দোলর মিলিয়ন ১ গী অনু এন্দ নবীন জেন এক্সপ্রাইজ ফংখ্রে।

দিল্লি কলেজ ওফ ইঞ্জিনিয়ারিং গ্রেজুয়েটশিং মনিক মেহতা অমসুং অভিনাস বন্সাল, অমসুং নাহরিকা রজিভকী লিফ ৱিয়ারেবলস টিমনা পুথোকপা পেদান্ট-লাইক ইলেক্ত্রোনিক দিভাইস অমা ওইরিবা *সেফর প্রো* হায়বসিনা ঙরাং য়ূমশকৈশা নুমিত্তা ন্যু য়োর্কতা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা পাঙথোকপা এৱার্দস সেরিমোনিদা লেমজনিংঙাই ওইরবা প্রাইজ অদু ফংখিবনি।

প্রাইজ অসি দ মুন এক্সপ্রেস লীংখৎখিবা ইন্দিয়ান অমেরিকান টেক্নোলোজি এন্দ স্পেস ইন্টর্প্রেনর নবীন জেন অমসুং মহাক্কী লোয়নবী অনুনা লীংখৎখিবনি।

চহী ২ গী মমাঙদা লাওথোকখিবা কম্পিটিসন অসিদা মালেমগী অকোয়বদগী লৈবাক ১৮ দগী পূন্না টিম ৮৫ য়াওরকখি অমসুং মদুগী মরক্তগী ফাইনেলিষ্ট ওইনা টিম ১৫ খনগৎখি অমসুং মখোয়না পুথোকপা দিভাইসশিং অদু মুম্বাই ট্রেনশিংদা চাংয়েংখি।

অতোপ্পা ফাইনেলিষ্ট ৪ অদুনা অমমমনা দোলর ১০০,০০০ কৎলকখিবা দোনর অনীদগী ফংবা শেনফমদগী দোলর লীশিং ৫০/৫০ গী প্রাইজ ফংখি।

দিল্লি কলেজ ওফ ইঞ্জিনিয়ারিংগী গ্রেজুয়েট মনিক মেহতানা হায়খি, কুমজা ২০১২ দা দিল্লিদা য়াম্না তমথিনা গেং রেপ তৌবীখিবী অমসুং অশোকপনা মরম ওইদুনা কোন্না শিখিবী মহৈরোয় নুপী নিরভায়াগী অৱাবা থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা দিভাইস অসি পুথোক্লবগী ঈথিন পোক্লকখিবনি। অসিগুম্বা থম্মোয় শোক্লবা অৱাবা থৌদোকশিং অসি থিংবা ঙম্নবা টিম অসিনা টেক্নোলোজি শীজিন্নবা পাম্মী হায়খি।

'থা' দগী মেতেল ললোন-ঈতিক্কী ওইনা লৌরুনবা 'থা' দা স্পেসক্রাফ্ট থানবা থৌরাং তৌরিবা কম্পেনি *মুন এক্সপ্রেস* কী মপু, এৱার্দ অসিবু লীংখৎখিবা নবীন জেননা হায়খি, মালেমদা লৈরিবা ঐখোয়গী তম্বায় অমনা অশোয়-অঙাম থোক্তনা, শাফনা য়ূমগী মপান্দা চত্থোকপা ঙমদ্রবদি থাদা নৎত্রগা মার্সতা ঐখোয়না করম্না চৎপা ঙমগদৌরিবনো। মহাক্কী লোয়নবী অনু জেননসু হায়খি, অশোয়-অঙাম থোক্তবা হায়বসি তঙায় ফদবা হক অমনি। ঐখোয়গী সমাজগী অমসুং শেন-থুমগী থাক্কী ৱাফম নত্তনা ঐখোয় নুপী পূম্নমক অকি-তুজুং পোক্লে অমসুং ঐখোয়দা করি তৌরক্কদগে হায়বগী অকিবা মতম পূম্নমক্তা ফাওরে।

মিলিমিটর ৩৫ রোম শাংবা, য়েরুম মওং মানবা দিভাইস অসি এক্টিভেট তৌবা সেকেন্দ খরগী মনুংদা জি পি এস শীজিন্নদুনা ভিক্টিম অদুনা লৈরিবা চপ চাবা মফম অদু মহাক্কী ইমুং মনুং অমসুং পুলিসতা এলার্ট অমা থাবা ঙম্মী হায়না ইঞ্জিনিয়ারিং গ্রেজুয়েট অভিনাস বন্সালনা হায়খি।

দিভাইস অসিদা সিম কার্দ অমা মথৌ তারি। অদুবু মসি ফোন অমদি নত্তে অমসুং সেল নেটৱার্কসকী খূত্থাংদা নাইতোম ওইনা থবক তৌই। *সেফর প্রো* অসি পাক শন্না পুথোক্লবা মখোয়না ইন্দিয়াদা লৈবা মেনুফেকচরর অমগা অমসুং চিনাদা লৈবা অতোপ্পা অমগা থবক তৌমিন্নরি। লোয়ননা ইন্দিয়া অমসুং য়ু এস তা সেলুলর নেটৱার্ক ওপরেটরশিংগসু কন্টেক তৌনরি হায়না মেহতানা হায়খি।

দিভাইস অসি এমাজোন অমসুং ফ্লিপকার্টকী খূত্থাংদা ইন্দিয়াদা য়োনগনি। দিভাইস অসিগী মমল দোলর ৪০ য়ৌহন্দবা হায়বসিনি। প্রাইজ অসিগীদমক থল্লিবা কন্দিসনশিংগী মনুংদগী কন্দিসন অমনি।

# ইশ্রো দা অচৌবা ঈনোৎ অমা পীরদুনা তুংগী মিসনশিংগীদমক লুপা ক্রোর ১০,০০০ গী প্লান সেন্টরনা অয়াবা পীখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুন ৭ ঃ***



পোলার সেটিলাইট লোঞ্চ ভেহিকল (পি এস এল ভি) অমসুং জিওসিনক্রোনস সেটিলাইট লোঞ্চ ভেহিকল মার্ক-৩ (জি এস এল ভি এম কে-৩) প্রোগ্রামসতা অচৌবা শাফু অমা পীনবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা ইন্দিান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন নৎত্রগা *ইশ্রো* দা লুপা ক্রোর ১০,০০০ হেনবগী প্লান অয়াবা পীখ্রে। খোঙথাং অসিনা *ইশ্রো* বু লাইট অমসুং হেভি সেটিলাইটশিং থাগৎপদা হেন্না মতেং পীরগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা কেবিনেটনা প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা পি এস এল ভি ওপরেস্নেল ফ্লাইট ৩০ গী ফন্দ পীনবগীসু অয়াবা পীখ্রে।

হৌখিবা চহী দিকেদ খরদা *ইশ্রো* গী পি এস এল ভি অসি খ্বায়দগী থাজবা অমসুং খ্বায়দগী ফবা রোকেট ওইরক্লি। মসি *ইশ্রো* গী য়াংলেন শরুনি। মসিনা ইন্দিয়াবু আর্থ ওবজার্ভেসন সেটিলাইটিশিং, দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট সেটিলাইটশিং, নেভিকেসন সেটিলাইটশিং হায়রিবা লাইট-ৱেট সেটিলাইটনি খন্নরিবশিং অসি মশা মতোমতা থাগৎপা ঙমহল্লি।

অদুবু হেভি সেটিলাইটশিং থাগৎনবগীদমক্তি অসিগুম্বা সেটিলাইটশিং য়াম্না হেন্না পুবা ঙম্বা রোকেটসু লৈরিবা ফ্রান্সনা ইন্দিয়াবু মতেং পাংলি। সাউথ অমেরিকাদা লৈবা ফ্রেঞ্চ গিরিদা লৈরিবা কৌরৌদগী হেভি সেটিলাইটশিং থাগৎপদা ইন্দিয়াবু ফ্রান্সনা মতেং পাংলি।

পি এস এল ভি কন্টিনুৱেসন প্রোগ্রাম (ফেজ ৬) চহী অমদা নিপানলক্কী চাংদা সেটিলাইট থাগৎনবগী দিমান্দ অদু ফংবা ঙমহনগনি। মসিদা ইন্দিয়ান ইন্দস্ট্রিদগী খ্বাইদগী ৱাংবা চাংদা শরুক য়ারক্কনি। ওপরেসনেল ফ্লাইট পূম্নমক ২০১৯-২০২৪ গী মতম মনুংদা মপূং ফানা লোয়শিনগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা গভর্ণমেন্টনা হায়খি।

কেবিনেটনা জি এস এল ভি এম কে-৩ ফ্লাইট তরাগী ফন্দিংগীদমকসু কেবিনেটনা লুপা ক্রোর ৪,৩৩৮ অয়াবা পীখ্রে।

# ইরান নুক্লিয়ার দিল এক্সপার্টশিং উন্নরি

***টেহরান, জুন ৭ ঃ***

ইরানগা ন্যুক্লিয়ার দিল তৌনবা লৈবাকশিংগী মনুংদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেট তোকখ্রবা মতূংদা একোর্দ অদু করি থোক্কদগে খঙদনা নীক-নীক লাওনা লৈবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবা দিল তৌনরিবা লৈবাকশিংগী এক্সপার্টশিংনা ঙসি টেহরানদা উন্নদুনা মীফম অমা পাঙথোক্লি।

ইরান, বৃটেন, চিনা, ফ্রাঞ্চ, জর্মনি অমসুং রসিয়া লোয়ননা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী মীহুৎশিংনা পাঙথোক্লিবা মীফম অসি হান্ননা পাঙথোক্লবা থৌরাং লৈরিবনি। অদুবু ইরানননা মখোয়গী য়ুরেনিয়ম এন্দ রিক্সমেন্ট কেপাসিটি হেনগৎহন্নবা থৌরাং অমা লাওথোকখ্রবগী তুংদা নুংনাংবা হেনগৎলকখিবনা মীফম অসি থুনা পাঙথোরকপনি।

পাঙথোক্লিবা মীফম অসি হান্নদগী চাং নাইনা পাঙথোকপা টেক্নিকেল মীফমশিংনি। মসিনা ইকোনোমিক ইশুশিংদা পূক্নীং চঙগনি হায়না দিপ্লোমেটিককী লীখুন অমনা হায়রি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা হৌখিবা থাদা দিল অসিদগী তোকখ্রবা মতূংদা ইতিহাসিক ওইরবা ২০১৫ গী দিল অদুগী লৈহৌরিবা পার্টিশিংনা এগ্রিমেন্ট অদু কন্নবা মীফম পাঙথোক্লিবনি।

ইরাননা মখোয়গী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম অসি শুপ্নগী ইচম চম্বা হীরমদা শীজিন্নবগীনি হায়বা অকনবা ৱাফম থম্মী। অদুবু লৈবাক অসিগী মরক্তা লৈরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেট, ইজরেল অমসুং সাউদি আরাবিয়ানা ইরানবু এতোম বোম অমা শানবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীরি।

# প্লেন ক্রাসতা ১০ শিরে

***নাইরোবি, জুন ৭ ঃ***

কেনয়াদা অপীকপা প্লেন অমা মাংখিবগী নুমিৎ নীনিগী মতূংদা মদুদা তোংখিবা পেসেঞ্জর ১০ মক খুদোংথিবা থৌদোক অমদা শিরে হায়না এয়ারলাইন অমসুং গভর্ণমেন্টনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়না ফংবা পাউশিংদা হিংহৌবা মীওই অমত্ত য়াওদ্রে হায়বসি লাইবক থিবনি। অৱাবা থৌদোক অসিগীদমক ঐখোয় তশেংনমক থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে হায়না কেনয়াগী ট্রেন্সপোর্ট মিনিষ্ট্রীগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী পাউল মেরিনগানা হায়খি।

# য়ু পি দা চহী ৪,০০০ শুরবা দোলাই, কূ শিং ফংলে

***বঘপট, জুন ৭ ঃ***

উত্তর প্রদেশকী বঘপট দিষ্ট্রিক্টতা আর্কিওলোজিষ্টশিংনা ব্রোঞ্জ এজ মতমগী ওইগদবা দোলাইশিং অমসুং অতৈ পোৎলমশিং ফংখ্রে।

মেসোপোতামিয়ানশিংনা ২০০০ বি সি গী মতমদা লান মনুংদা দোলাইশিং, থাঙশাংশিং, হেলমেটশিং শীজিন্নরম্বা অদুগুম্না ঐখোয়গী লৈবাক অসিদসু অদুগা মান্নবা পোৎশিং শীজিন্নরম্মী হায়না আর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়া (এ এস আই) গী রিছার্সরশিংনা হায়রি।

ঐখোয়না থাজবদা অহানবা ওইনা চহী ৪,০০০ রোম শুরবা দোলাইশিং ফংলে। মার্চ থাদগী থা অহুম চূপ্পা চত্থরকখিবা ট্রাইয়েল এক্সকেভেসন অমদা কূ অহুম, থাঙশাংশিং অমসুং অতৈ লৈতেংগী পোৎলমশিংগা লোয়ননা দোলাইশিং অদু ফংখিবনি হায়না এ এস আই ওফিসিয়েলশিং অদুনা হায়খি।

ফংলিবশিং অসি চহী ৪,০০০ রোম লীরবা হায়বদি চাওরাক্না ২০০০-১৮০০ বি সি গী মতম ওইগনি হায়না এ এস আই ওফিসিয়েল ডা. মনজুলনা হায়খি।

এক্সেভেসন অদুদা দোলাইশিং অদুতা নত্তনা কোপ্পর প্লেটনা য়োম্বা শত্তম কয়ামরুম য়াওবা পোৎলমশিংসু ফংখি। মদুনা ফোঙদোক্লিবদি মফম অদু নিংথৌশিংগী লৈরোন চনফম ওইরম্বা য়াই তাক্লি।

হারাপ্পা, মোহেঞ্জো-দারো অমসুং ধোলাবিরাদা পাঙথোকখিবা মমাঙগী এক্সকেভেসনশিংদা অশিবা মী হাপ্নবগী কূ শিং ফংখি। অদুবু হন্দক্কী অসিগুম্বা মখলগী কূ ঐখোয়না ফংখিবসি সব-কন্টিনেন্ট অপূনবা অসিদা মসিনা অহানবনি।

# গেঙ্কষ্টর অবু সালেম জেলদা চহী ৭ কী চৈরাক পীখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুন ৭ ঃ***

কুমজা ২০০২ দা দিল্লিদা লৈবা ব্যুজিনেসমেন অমদগী প্রোটেক্সন মণি ওইনা লুপা ক্রোর ৫ দিমান্দ তৌবগীদমক গেঙ্কষ্টর অবু সালেমবু জেলদা চহী ৭ লৈনবা ঙসি দিল্লি কোর্ট অমনা চৈরাক পীখ্রে।

কোর্ট অসিনা কেস অসিদা অবু সালেমবু মে ২৬ তা কনভিক্সন পীখিবনি। দিল্লিদা থাঙ্গৎলকখিবা এক্সতোর্সন কেস অদুদা সাউথ দিল্লিগী গ্রেটর কৈলাসতা লৈবা ব্যুজিনেসমেন অশোক গুপ্তদগী প্রোটেক্সন মণি ওইনা লুপা ক্রোর ৫ অবু সালেমনা দিমান্দ তৌখি হায়না কেস অসিদা মরাল শীরি।

কেস অসিদা প্রোজিক্যুসন অমসুং দিফেন্সকী উকিলশিংগী আরগুমেন্টশিং তারবা মতূংদা কোর্ট অদুনা অবু সালেমবু চহী ৭ রিগোরিয়স ইম্প্রিজনমেন্টকী রাই পীখিবনি।

# নক্সালশিংগা খূৎ থোক্নবদা কোব্রা কম্মান্দো ১ শিরে, পুলিসমেন ১ শোক্লে

***রাঞ্চি, জুন ৭ ঃ***

ঝর্খন্দগী সরাইকেলা এরিয়াদা ঙসি নক্সালশিংগা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক অমদা সি আর পি এফ কী কোব্রা কম্মান্দো অমা শিরে অমসুং পুলিসমেন অমা শোক্লে।

ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকপদা কম্মান্দো বটালিয়ন ফোর রিসোলুট এক্সন নৎত্রগা কোব্রাগী ২০৯ শুবা বটালিয়ন অমসুং ঝর্খন্দ পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা ওপরেসনগীদমক লাকপদা অয়ূক পূং ৭ লোম তাবদা নক্সালশিং অদুগা খূৎ থোক্নবা হৌখিবনি হায়খি।

খূৎ থোক্নবা অদুদা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্নখি অমসুং মখা তাবা অকূপ্পা পাউ ঙাইরি হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুনা হায়খি।

# নাশিকতা পিলগ্রিম ১০ শিরে

***নাশিক, জুন ৭ ঃ***

উজ্জৈনদগী থানেগী উলহাসনাগরদা লাই খুরুম্বা চৎপা মীওই কাঙবু অমনা তোংবা মিনি বসনা মুম্বাই-আগ্রা নেস্নেল হায়ৱেগী নাশিকতা খামদুনা লৈবা ট্রক অমদা থোমজিনবদা য়ামদ্রবদা লাই খুরুম্বা লাকপা মীওই ১০ শিরে অমসুং অতৈ মীওই কয়া শোক্লে হায়না পুলিসনা হায়রি।

খুদোংথিবা থৌদোক অদু ঙসি অয়ূক চান্দৱাদ মনাক্তা থোকখিবনি। মিনি বস অদুগী মমাঙ থংবা তায়ার অদু পোকখাইখি অমসুং মদুদগী ড্রাইভর অদুনা মহাক্কী গারী অদু লম্বী চুম্না থৌবা ঙমদবদগী লৈঙোয় পুবা খামদুনা থম্বা ট্রক অমদা থোমজিনখি হায়না পুলিস ইন্সপেক্তর এ আই মোহিতেনা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খি।

## GAS TODAY

**Lamsang Gas**
Booking : 15/05/18
Valid : 12/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 11/05/18
Valid : 08/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**M M Gas**
Booking : 08/05/18
Valid : 30/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 09/05/18
Valid : 07/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 25/04/18
Sl. No. 270
Valid : 24/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10 a.m.

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 27/04/18
Sl. No. 216750
Valid : 24/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Canchi Gas Service**
Booking : 10/05/18
Valid : 05/05/18
Stk : 306/19 kg 20
Rate : Rs. 811.50/-
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Imphal LPG Service**
Booking : 05/06/18
Sl. No. 19000
Valid : 01/12/17
Stk : 306
Delivery at Heinoupok Godown

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 08/06/18
Valid : 07/06/18
Stk : 200
Time : 07.00 to 09.00 a.m

**RBD Gas**
Booking : 26/04/18
Valid : 18/04/18
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Booking : 28/05/18
Valid : 17/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 03/05/18
Valid : 30/04/18
Sl. No. 9810
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Lambodara Indane Service**
Booking : 31/05/18
Valid : 19/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Sawombung Gas**
Booking : 03/05/18
Valid : 27/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 24/04/18
Valid : 13/04/18
Sl. No. 7200
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**Ashangbi Gas, Sugnu**
Booking : 11/04/18
Valid : 09/04/18
Stk : 306
Time : 09.00 to 11.00 a.m

**Leibaklei Gas, Khongjom**
Booking : 25/04/18
Valid : 20/01/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**সনা-সুদোকু -১১৯০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 8 | 3 | 6 | 4 | 2 | 5 | 1 | 7 |
| 2 | 7 | 1 | 8 | 5 | 9 | 3 | 6 | 4 |
| 6 | 5 | 4 | 1 | 7 | 3 | 8 | 9 | 2 |
| 3 | 2 | 7 | 9 | 1 | 4 | 6 | 5 | 8 |
| 1 | 6 | 8 | 2 | 3 | 5 | 4 | 7 | 9 |
| 5 | 4 | 9 | 7 | 6 | 8 | 2 | 3 | 1 |
| 7 | 3 | 5 | 4 | 8 | 1 | 9 | 2 | 6 |
| 8 | 1 | 2 | 5 | 9 | 6 | 7 | 4 | 3 |
| 4 | 9 | 6 | 3 | 2 | 7 | 1 | 8 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1191**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 9 | 4 | | | 8 | | | 1 |
| | | | 2 | 7 | | 6 | | |
| | | | | 6 | | | | |
| | | | | 1 | | 4 | 9 | |
| 2 | | 8 | | | | | | 3 |
| 5 | | | | | 3 | | 2 | 6 |
| | | | | | | 3 | 6 | 8 |
| 7 | | | | | | | | 2 |
| | 6 | | | | 4 | | | 7 |

RST Resonant Tutorials Imparting light to Medical aspirants
RESONANT TUTORIALS
Imparting Light to Medical Aspirants
SL/Bill (upto 12 June)
ADMISSION OPEN
Regular Course for Medical Entrance Exam
NEET(UG)-2019
Class Commence : 21st June, 2018
Last Date of Admission : 19th June, 2018
Special features:
- Free studentship for meritorious and position holders of Class X & XII.
- Separate section for purely english medium.
- Special fee concession for high scorer in NEET Exam-2018 but not get seat for Medical Course (MBBS/BDS).
- NCERT based study materials from MTG-Book Publication.
- Motivation & Interaction Programme with renowned Doctors.
- Hostel facility for Boys & Girls.
For more details, pliz contact: Resonant Office Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank
Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.